**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি অহুম্লক শুবা টার্মগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

২) সিক্কিমদা প্রেম সিংহ তমাংনা অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম পায়নবগীদমক হয়েং নুংথিল ৱাশক লৌরগনি।

৩) উরিষাদসু অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি হয়েং ৱাশক লৌনবা শেম শারে।

৪) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা অখাক অরাউ অমদি পুংদা কিলোমিতর ৪০ গী চাংদা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) আই.সি.সি. টোইন্তি টোইন্তি মেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমা হৌজিক ভারতকা পাকিস্তানগী নিউ য়োর্কতা শান্নরি।

------

ৱাশক ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অহুম্লক শুবা টার্মগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইনবগীদমক ৱাশক লৌখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

অতৈ ৱাশক লৌখিবা কেবিনেট মন্ত্রিশিং অদুদি- নিতিন গদকারি, জে.পি. নদ্দা, শিবরাজ সিংহ চৌহান, নিরমালা সিতা রমন, ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, মনোহরলাল, ঐচ.দি. কুমারা স্বামি, পিয়ুস গোয়ল, ধরমেন্দ্র প্রধান, জিতন রাম মানঝি, রাজিভ রঞ্জন সিংহ, সরবানন্দ সোনোৱাল, ডাঃ বিরেন্দ্র কুমার, পি. রাম মোহন নাইদু, প্রহ্লাদ জোসি, জ্বেল ওরাম, গিরিরাজ সিংহ, অস্বিনি বৈষ্ণব, জ্যোতির আদিত্যা সিন্দিয়া, ভুপেন্দ্র য়াদব, গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট, অনাপুরনা দেবী, কিরেন রিজিজ, হরদিপ সিংহ পুরি, ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়া, জি. কিসন রেদ্দি, চিরাক পাসৱান, সি.আর. পাতিলনি।

ঙসি ৱাশক লৌখিবা রাজ্য মন্ত্রি -- য়াওরি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা যুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়াসু অখন্নবা আতিথি ওইনা য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা- শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতি রানিল ৱিক্রম সিঙ্ঘে, মালদ্বিপকী রাষ্ট্রপতি ডা: মাহমদ মুইজ, সৈচিলৈসকী উপ-রাষ্ট্রপতি অহামদ অফিফ, বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হাসিনা, মৌরিসেসকী প্রধান মন্ত্রি প্রবিন কুমরা জগনাডথ, নেপালগী প্রধান মন্ত্রি পুসপা কমল দাহাল প্রচান্দদা , ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি সেরিং তোকগেনচিংবা য়াওরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা শ্রী মোদিগী অনৌবা সরকারগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওখিবা মালেমগী লুচিংবশিংগী চাকলেন অমসু শিল্লি।

সোনিয়া ঃ কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্তি (সি.পি.পি)গী চেয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধিনা হায়রি- সংসদতা মহাক্কী দলগী সদস্যগী মশিং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সি.পি.পিগী মীফমদা শ্রীমতি গান্ধিনা হায়- লোক সভাদা কংগ্রেসকী সদস্য মশিং য়ামখৎলকপদা নত্তনা দল অসিগা চুংশিন্নরিবা ইন্দিয়া ব্লোক্কী শক্তিসু হেনগৎলক্লে। মহাকা হায়- ভারত জোরো যাত্রা অমসুং ভারত জোরো নিয়াই যাত্রা অসি দল অসিবু থাক খুদিংমক্তা অমুক হন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঐতিহাসিক ওইরবা ইহৌশিংনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতি (সি.দব্লিউ.সি)গী মীফমদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা থা অসিগী ৬ তগী জিরিবাম জিলাদা নৌনা হিংশাগী থবক চথ্বরক্লিবা অসিগী মতাংদা পুথোকখ্রে। শ্রী মেঘচন্দ্রনা সংসদকী মনুং অমসুং মপান অনিমক্তা মণিপুর মীয়ামগী স্বার্থ ঙাকবা হোৎনবগীদমক রাহুল গান্ধি অমসুং দলগী হাই কম্মান্দবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

তুংদা, মহাকা মণিপুরদগী নৌনা মায় পাক্লবা সংসদ সদস্য অনি- অলফ্রেদ কাঙম অর্থর অমসুং প্রোফেসার অঙোমচা বিমোল অকোইজমবুসু শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধি অমদি রাহুল গান্ধিদা শক তাকখি।

সিক্কিম ঃ সিক্কিমদা প্রেম সিংহ তমাংনা অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম পায়নবগীদমক মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী মন্ত্রিশিংগা লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ৪ দা ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম গেংতোক্কী পালজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। শ্রী তমাং অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী সদস্যশিংবু রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি। হান্নগী রাজ্যপাল গঙ্গা প্রসাদসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা য়াওগনি।

সিট ৩২ লৈবা সিক্কিম বিধান সভাদা সিট ৩১ ফংদুনা চাউনা মায় পাকপগা লোয়ননা শ্রী তমাংনা লুচিংবা সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম)না অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা অমুক হন্না শক্তি পায়রকপনি। সিক্কিম দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা শুপগী সিট অমখক ফংবা ঙমখি। ফন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি পাৱন কুমার চামলিংদা মহাকা মীরেপ ওইখিবা বিধান সভা কেন্দ্র অনিমক্তা মায়থিখি। নৌনা শেমখিবা সিতিজন এক্সন পার্তি অমসুং কংগ্রেসনা সিট অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মীখল অসিদা নুপী এস.কে.এমগী নুপী মীরেপ মরি, রাজকুমারি থপ্পা, কৃষ্ণকুমারি রাই, কালা রাই অমসুং পামিন লেপচানা চাউনা মায় পাকখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিগী য়েংলগা গেংতোক ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোনবা মফমশিংদা লৈবা সরকার অমসুং লনাই স্কুল-কলেজশিং, মহৈ তম্ফমশিং ছুতি থাদোকখ্রে। মসি গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখিবা অমদি ঙাকশেলগী থৌরাংদা খুদোংচানবগীদমকনি হায়রি।

উরিষা ঃ উরিষাদসু মুখ্য মন্ত্রি ওইগদবা মীওইগী মীং লাউথোক্ত্রিদ্রিঁ মাংওইননা হয়েং বি.জে.পিগী সরকার অমা ৱাশক লৌনবা শেম শারে। হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কদৌরিবা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী মীফমগী তুংদা ৱাশক লৌবগী থৌরম ভুবনেশ্বরগী জনতা মৈদানদা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পি ষ্টেট য়ুনিতগী প্রসিদেন্ট মনমোহন সমলনা হায়- ৱারেপ লৌবগী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা বি.জে.পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা ৱাফম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি। বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম হয়েং পাঙথোক্কনি। মদুদা কেন্দ্রগী ওবজার্ভরশিংসু য়াওগনি। মীফম অদুদা কনানা মুখ্য মন্ত্রি ওইগদগে হায়বদুগী মতাংদা পুমমকা য়ান্নবা ৱারেপ অমা লৌগনি। মুখ্য মন্ত্রি ওইবা য়ারবা মীওইশিংগী মনুংদা- তরুক্লক এম.পি ওইরবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্ৱাল ওরাম, হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান, বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা শুরেস পুজারিনচিংবা মীওইশিং য়াওরি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমিত সাহ্ অমদি এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং য়াওরবা য়াই।

হন্দক পাঙথোকখিবা উরিষা বিধান সভা মীখলদা রাজ্য অদুগী অপুনবা সিট ১৪৭ কী মনুংদা বি.জে.পিনা ৭৮ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখিবনি। বি.জে.দিনা সিট ৫১, কংগ্রেসনা ১৪ অমসুং অতৈ দলশিংনা সিট ৪ ফংখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবামগী শেরোক অতিংবী খুনৌদগী লৈখিদ্রবা শোইবম শরত কুমার সিংহগী ইমুং মনুংদা সরকারগী নিয়মগী মতুংইন্না পীফম থোকপা ক্ষেতিপুর পীরগনি হায়রি।

সরকারগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- শরত কুমারগী ইমুং মনুংগী মীওই অমা সরকারগী থবক পীরগনি। মহাক্কী অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌরগনি।

জিরিবাম জিলাদা পামদবা থৌদোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়নসু পাউ অদুনা হায়রি।

মরক অসিদা, ওল জিরিবাম মুস্লিম ৱেলফ্যার সোসাইতিনা জিরিবামদা হেক য়ারিবা মখৈ থুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা থবক পায়খৎপীনবা রাজ্য সরকারদা তকশিল্লি। সোসাইতি অসিগী চেরোল অমদা হায়- শোইবম শরত কুমার সিংহ তমথিনা হাৎখিবা মীহাৎ অদুবু বেঙ্গোলি কাংলুপনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। জিরিবামদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মপুংওইনা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি রাজ্য সরকারদা তকশিল্লি।

হিরোইন (এল)ঃ থা অসিগী ৫ দা তোঙান তোঙানবা মীওই মরিদগী ফাগৎলকপা হিরোইন পাউদরশিং ঙসি অনজ্মান লিলোং অমসুং য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ)গী মীওইশিংনা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে।

অনজ্মানগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অনজ্মানগী জেনেরেল সেক্রেটরি- মহামদ হবিবুলানা হায়- থা অসিগী ৫ দা য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ)না লমদম অসিদগী ড্রগ মরু ফংনা মাংহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংদা লিলোং লৈহাওখোংদগী মীওই অমা অমদি হত্তা মখা লৈকাইদগী মীওই অহুম হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফাগৎখি। অসিগুম্বা খোঙচং অসিদা অনজ্মান লিলোংনসু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

সেমিনার (এল)ঃ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট-ফোর বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখ্রে। সেমিনার অদুদা নোর্থ ইষ্ট সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইনিসিয়েতিভকী একজিকুত্যিভ দাইরেক্তর দিমগোং রোংমৈনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

কেম্প (এল)ঃ টার্গেট ওপতিকেল ফার্ম অমদি সনা জনমস্থান ক্লব কৈশামথোংনা পুন্না শিন্দুনা লেমনা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি কৈশামথোংদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা রিমস হোস্পিতাল কেম্পসতা লৈবা রিমস লিগেল এইদ ক্লিনিক শিনদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱাৰনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা এল.টি.ৱাই.দি.ও ক্লবকী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্রাইম এগেষ্ট ৱিমেন, পোস্কো এক্ট, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট য়াওনা তোঙানবা তোঙানবা হিরমশিংদা খন্নখি।

ডে (এল)ঃ ৱিমেন দিভলপমেন্ট কমিতি হৈরোকনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী চত্থরকপা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হৈরোক পার্ট টু মনিং লৈকাইদা তুরেল য়াওনা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবা মীওইশিংদা পীবা উপাধি, শেলগী মনা অমসুং সনাগী মেদল ফংগদবা মীওইশিংগী মীং লাউথোক্লে। মীওই ১৫ দা পরিষদকী উপাধি, মীওই ৪ দা শেলগী মনা অদুগা মীওই ১ দনা সনাগী মেদল পীরগনি। মনাশিং অদু পরিষদকী ৮৯ শুবা চহিগী মীফমগা মরী লৈননা পীগনি হায়রি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি ইম্ফালগী ৬৫ শুবা চহিগী মীফম ঙসি লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা সমিতিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সমিতিগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা ইবা- নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ কৌবা মোনোগ্রাম অমসু ফোংদোকখি। মীফম অদুদা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী মন্ত্রি মোইরাংথেম নরানা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াখি।

প্রাইজ (এল)ঃ উরিপোক ৱাঙ্কিং পার্তি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হান্দক্তা ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্বতা মার্ক ৱাংনা ফংলকখিবা নাগামপালদগী ইরোশেম্বা চীংখোঙ ফাওবদা লৈবা মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি উরিপোক হুইদ্রোম দিলভপমেন্ট কমিতিগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নোং (এল)ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বঙ্গলাগী হিমালয়গী শরুক অমসুং সিক্কিমদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা অখাক অরাউ অমদি পুংদা কিলোমিতর ৪০ গী চাংদা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা পারপতগী ময়াই ওইরপ্পা চাং ফাওবদা নোং চুরবা য়াই। ৱেদর দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা হায়-খা নোংচুপকী কুমগী নোং ময়াই থংবা আরব সাগর, অৱাং থংবা আরব সাগরগী শরুক খরা অমসুং মহারাষ্ট্র য়ৌশিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা খা থংবা কোনকান, গোৱা, মহারাষ্ট্র, করনাটক্কী শরুক খরদা হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অদুমওইনমক, অৱাং নোংচুপ থংবা ভারত্তদি ঙসিদগী কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরে।

এদভাইজরি ঃ নেসনেল হেলথ মীসন (এন.ঐচ.এম) মিসন দাইরেক্তরগী ওফিসনা হু চেনবা চেঙ্গুম চারবা মতুংদা ওইরকপা য়াবা ফিভমশিংগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

এদভাইজরি অদুদা হায়- হু চেনবা চেঙ্গুম চাবনা চাকখাউ নাবা, ওনিংবা, খরা শাথিবা কেসতা কা হেন্না হুমাং থোকপা, হৈনিংদবা ফাওবা গ্যান মাংবা, চোইরোল লোনবা অমদি লিভর শোকপনচিংবা তৌরকপা য়াই। মীয়ামা মশক নিংথিনা খঙদবা লন্নক্তা হৌবা চেঙ্গুম চাদনবসু এদভাইজরি অদুনা হায়রি।

নিট ঃ নেসনেল ইলিজিবিলিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট য়ু.জি)গী কেন্দিদেট লিশিং ১,৫০০ হেনবদা গ্রেস মার্ক হাপখিবগী মতাংদা য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না মীওই মরিনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমা শেমখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)গী দাইরেক্তর জেনেরেল সুবোত কুমার সিংহনা হায়- হায়রিবা মীহুৎ কাংবু অদু য়ু.পি.এস.সি হান্না চেয়ারপার্সন ওইরম্বা মীওই অমনা লুচিংগনি। মহাকা হায়- কমিতি অদুনা মখোয়গী ৱারোল চয়োল অমগী মনুংদা পীখৎলক্কনি অমসুং হায়রিবা কেন্দিদেটশিং অদুগী মার্কশিং অদু অমুক হন্না য়েংশিল্লবা য়াই। মেদিকেল-দেন্টেল

এন্ত্রান্স টেষ্টকী ফল অদু জ্ন ৪ দা লাউথোকখিবনি অমসুং মদুগী তুংদা পরিক্ষা থাখিবা মীওইশিংনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা মরাল শিরকপগা লোয়ননা নৌনা অমুক পরিক্ষা তৌনবা দাবী তৌরকখি। পরিক্ষা থারিবা মীওই খরদি কোর্টতা ফাওবা ৱাকৎনখি।

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি. টোইন্তি টোইন্তি মেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী গ্রুপ-এগী অনিসুবা মেটচ অমদা হৌজিক ভারতকা পাকিস্তানগী নিউ য়োর্ককী নসাউ কাউন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। ভারতনা হান্না বেত্তিং তৌরি। রোহিত শর্ম্মনা লুচিংবা ভারতকী টিমনা মখোয়গী অহানবা মেটচতা আয়রলেন্ দবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি। অদুবু বাবর অজমনা লুচিংবা পাকিস্তানগী টিমদি দলাসতা আমেরিকাগী খুৎতা সুপর ওভরদা মায়থিবা ফংখ্রবনি।

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ ৩৮ শুবা মেন্স এন্দ ৱিমেন, ২৫ শুবা জ্নিয়র, সব-জ্নিয়র অমসুং ২৩ শুবা মিনি বোইজ এন্দ গার্লস ষ্টেট সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। সেনিয়র মেন্স রেগু ইভেন্টতা সাই আর.সি-এনা পি.য়ু.সি-বিবু ২-০ দা অদুগা সেনিয়র ৱিমেন্স রেগু ইভেন্টতা পি.য়ু.সিনা এম.পি.এস.সিবু ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সোক্কর (এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চৎথরিবা চহি ১৫ মখাগী অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল বোইজ সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা গোল্ডন এফ.এ পেলেস কম্পাউন্দনা উরিপোক এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। আতিয়া এফ.এ ইরোইশেম্বা লাক্তুবদগী এফ.সি টিম-বি থোংজ্না ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

------